অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ : হন্দক্তা চীংনীংখায়বদগী ফিভম শোক্লবা টেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্কী লম্বী মখা তানা শোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী এন ঐচ ১০২ গী ইম্ফাল-মোরেগী শরুক্তা হেভি ভেহিকল চৎথোক-চৎশিন তৌবা মতম খরা থীংলে হায়না কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, টেংনৌপাল দিষ্ট্রিক্টকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। হায়ৰে অসিদা হেভি ভেহিকলশিং হায়বদি টাটা ট্রক, টিপ্পর, টাটা দি আই, সক্তিমাননচিংবা মতম খরা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈরিবসি মীয়ামগী য়েংদুননি হায়না পল্লদুনা থা অসিগী ১৩ গী অহিং নোংয়াইদগী কে এস ওগী ভলন্টিয়রশিংনা অথিংবা অসি চেকশিন্না য়েংশিল্লগনি অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লম্বীগী অশোকপা মফমশিং শেমজিন্দ্রিফাওবা অথিংবসি লৈগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা লেফট পার্টিশিং হায়বদি সী পি আই, সী পি আই (এম), আর এস পি অমসুং ফোরৱার্দ ব্লোকনা বি এম পি, এ এ পি, জে দি (এস), এন সী পিগী সপোর্টকা লোয়ননা ঙসি ইর্টালগী মহুত্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। কোংগ্রেসনসু মান্নবা দিমান্দদা তোঙান্না ষ্টেট লেভেল বন্দ পাঙথোকখি হায়না সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোতিকুমার, সী পি আই (এম) মণিপুরগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ সান্তা, এ আই এফ বি, মণিপুরগী সেক্রেটরি গ্যানেশ্বর অমগী আর এস পি, মণিপুরগী সেক্রেটরি এন রতনগী অপুনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা মরম ওইদুনা এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং, থোঙ লোন্নখি, কৈথেলশিংদা দুকানশিং অমদি বিজনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং থোঙ লোন্নখি, বেঙ্ক, এল আই সী, এ জি, পোষ্ট অমদি টেলিগ্রাফ ওফিসশিং ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং ৱার্করশিংনা বোইকোত তৌখি। প্রাইভেট, সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা এতেনে দন্স লীকখি। পব্লিক অমদি প্রাইভেট ত্রান্সপোটেসন সার্ভিসশিং, লেপখি। ইন্টর ষ্টেট পেসেঞ্জর সার্ভিস অমত্তা লৈখিদে। নেসনল অমদি ষ্টেট হায়ৱেশিং ব্লোক তৌখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মায় পাকখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরগী মীয়াম্নুসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯕꯛ/JOB FOR X AND XII PASS

মণিপুর মনুংগী ওইগদবা অখন্নবা পোষ্ট ৫১ গীদমক কেন্দিদেট (নুপা -৩০, নুপী-২১) লৌগদৌরি। Class X অমসুং XII পাস তৌরবা থবক তৌবীনিংবা, মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা Apply তৌবা য়াগনি। তোঙান-তোঙানবা পোষ্টকী মতুংইন্না থাগী

Income : **₹10,000/- to ₹35,000/-**
Facility : **Lodging + Fooding available**
Visiting Hr: **12:oo noon to 3:00 pm.**

Deposit লৈজরোই, Apply তৌবিনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা Bio-data পুবিরক্লগা ওফিসতা লাক্তুনা তানবীয়ু। অহানবা লাকপীবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা লৈগনি।

Contact : ☎ **8414834122 / 8014170652 / 9774986962**

HL-P/5348/11,13,17,19

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

ঐগী নুপা মোইরাংথেম নাওবা হায়রিবা অসিগা গিতা দেবী হায়রিবা অসিগা মরী লৈনৈ হায়দুনা গিতাগী নুপাময়ুম অমদি মপামগী মীওইশিংদা ঐনা লান্না খল্লুবদগী ৰাহৈ-ৰাতা কয়া হায়খিবশিং অদু ইশানা শোয়খ্রে, লাল্লে হায়দুনা ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ নাতৈ পুন্নমক্কী মফমদা পাউচেগী থোংদা শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবী ঃ
Moirangthem (O) Thouranisabi Devi (38yrs)
W/o M. Naoba Singh
Pungdongbam Uyung Makhong

HL-P/2118/10-12

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৰাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

Phone No. **9612225582**

HL-B/4802/20/8-19/09

লুপশিংনা নুঙবাগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): নুংবা কৈথেলদা এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিম অমদা এন এস সী এন - আই এমনি হায়না শক্তাকপা মীওইশিংনা ফু-চৈবা অমদি কিহন-খংহনবগী থৌওং চথুরকখিববু মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইনা থা অসিগী ২ দা অসামগী সিলচর দিষ্ট্রিক্টতা ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীনবা অসাম ষ্টেটতা চোইজাইননা তারিবা মণিপুরী ফুরুপশিংগী অচৌবা থৌরম অমা শরুক য়াবা চৎলুবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা থৌমীশিং অমদি শৈশকপা শৈশকপী অমদি ম্যুজিসিয়নশিং য়াওবা টিম অমা প্রোগ্রাম লোইরগা হল্লকপদা থা অসিগী ৩ দা নুঙবা কৈথেল য়ৌরকপদা মশানা মশাবু এন এস সী এন - আই এমনি হায়না শক্তাকচবা মীওই খরনা টিম অদুনা তোংদুনা লাকপা বস অদু খাল্লগা বস অদুদা তোংলকপশিং কুমথহল্লগা পরেং শানা লেপহন্দুনা মফম অসি এন এস সী এন - আই এমনা ওপরেট তৌবা মফমনি। মফম অসিদা মণিপুর থাবা ফ্লেগ থেৎতুনা চৎপা য়ারোই। মফম অসি নাগালেন্দনি, মণিপুর নত্তে হায়না অথীবা ৰাহৈ-ৰাতা কয়া ঙাঙলকপদা নত্তনা মখোয়দা টেক্স থীগদবনি হায়না অয়াওবা শেল খরসু নমদুনা লৌহৌবা অমদি অকন-অরিং শীংবগী থৌওং চথুরকখিবা অদু য়ুনিয়ন অসিনা য়ানিংদে।

প্রোগ্রাম অমা য়াওরুরগা হল্লকপা চল্লবা শৈশকপা শৈশকপীসু য়াওরিবা টিম অমদা এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিংনা মখোয়গী এরিয়ানি হায়না বস অদুদা তোংলকপা মহৈরোয়শিংদা তাথী-তাওইনা তৌরকখিবা অমদি লুজদবা থৌওং কয়া চথুরকখিবা লোয়ননা নখোয়বু হাৎপা ঙম্বা মীনি হাৎলুরা হায়দুনা অথীবা ৰাহৈ-ৰাতা ঙাং-শক্লকখিবা হায়বসি টেরোরিষ্টকী থৌওংনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সীজফায়র তৌনদুনা পীছ টোক চথুরিবা লালহৌলুপ অমনা করম্না লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা ফোংনা লোগী ৰাংমদা এক্সটোর্সন, হরাসমেন্ট চথুরক্লিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ইরমদম অসিবু করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলিবনো অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লৈরিবা সীজফায়র মোনিটরিং সেল অসি ইরমদম অসিদদি মথৌ তৌদ্রবরা হায়না সীজফায়র য়ৌদবা মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসিগী নুংগী এজেন্দানা করিনো হায়নসু হংলক্লি। লম্বী লমজাওদা ফোংনা থোক্তুনা লম্বী চৎলিবা মীচম মীয়ামদগী নম-হাদুনা টেক্স খোমগৎলিবা অনলোফুল এক্টিভিটিজ কয়া লীশাং শিংনা চথুরক্লিবা অসিদা লৈঙাক অসিনসু করিসু তৌবা ঙমদনা মতম শাংনা লৈরকপা অসিনা লম্বী অসি ফাওদুনা চৎলিবা মীচম কয়াগী থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চৎপগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি হায়রি।

এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিংনা নুংবা এরিয়াদা ফোংনা থোক্তুনা লম্বী চৎপা মীওই কয়াদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ কয়া চথুরে হায়না লৈঙাক অসিদা তাক্লবা ফাওবা ঙসি ফাওবা মখোয়বু ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদবা হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাক অসি চীংদা লৈঙাক নিংথিনা চলাইবা ঙমদ্রে হায়বদু তাকপনি। এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিংনা থেংখাং কয়াদা ইরমদম অসিদা খু দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনদবা অমদি মচেৎ তানা থুগায়নবা থৌওং কয়া চথুরকপদা নত্তনা ইরমদম অসিগী চমজরবা মীওই কয়া অমবুসু হাৎতোকপীখিবগী চৈনা ঙসিসু ইরমদম অসিগী মীয়াম্না খাঙলি। পাল্লিবা লৈঙাক অমদি ইরমদম অসিগী মীয়াম্না মীয়ামগী য়েক্লবা ওইরবা লুপ অসিবু ইরমদম অসিগী লৈমায়দগী তকথোকখিনবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি হায়রি।

নুংবাগী থৌদোক্তা চেন্নবা এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিং লৈঙাক অসিনা ফাদুনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা অমসুং ইরমদম অসিগী লৈমায়দগী এন এস সী এন - আই এম তকথোক্ত্রিবা ফাওবা এমসুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা য়ুনিয়ন অসিনা শরুক য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩ দা নুংবা কৈথেলদা থোকখিবা মশানা মশাবু এন এস সী এন - আই এমগী কাদরনি হায়না শক্তাকচবা মীওই খরনা সিলচরদা প্রোগ্রাম পাঙথোক্লুরগা হল্লকপা বস অদুবু খাল্লগা বস অদুদা তোংলকপশিং কুমথহল্লগা পরেং শানা লেপহন্দুনা মফম অসি এন এস সী এন - আই এমনা ওপরেট তৌবা মফমনি, মফম অসিদা মণিপুর থাবা ফ্লেগ থেৎতুনা চৎপা য়ারোই, মফম অসি নাগালেন্দনি মণিপুর নত্তে হায়না অথীবা ৰাহৈ-ৰাতা কয়া ঙাং-শক্লকপদা নত্তনা মখোয়দা টেক্স থীগদবনি হায়দুনা অয়াওবা শেল খরসু নমদুনা লৌহৌবগী থৌওং অসি য়ুনিয়ন অসিনা য়ানিংদে। মহৈরোয় অমদি শৈশকপা শৈশকপীশিংগী টিম অমদা এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিংনা তাথী-তাওইনা তৌরকখিবা অমদি ফজদবা থৌওং চথুরকখিবা অসি টেরোরিষ্টকী থৌওংনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সীজফায়র তৌনদুনা পীছ টোক চথুরিবা লালহৌলুপ অমনা করম্না লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা লোগী ৰাংমদা এক্সটোর্সন অমসুং হরাসমেন্ট চথুরক্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইরমদম অসিবু করম্বা মীৎয়েং য়েংলিবগে হায়বদু তাকথোকচরে। সীজফায়র য়ৌদবা মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিসু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসিসু য়ানিংদে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

‘মশাগী নাৎ অমসুং কলচর ঙাকবা ঙমদ্রবদি ফুরুপতু শিরগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ : মহৌশাদগী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা নাৎ অমসুং কলচর, চৎনবী, লাইনিং লাইশোল ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদ্রবদি ফুরুপ অদু মালেমগী লৈমায়দগী শিরবনি। ময়ারমদু অইবা লাইরিক ওইনা থমহৌবগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়না ফয়েংগী খুল্লাকপা নিংথৌজম তোয়াই চকপানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফমসি কংলৈপাক লোয়নসিল্লোন অপুনবা মরুপ, কলমনা থা খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা লোয়নসিল্লোনগী খোঙচৎ থৌরম হৌদোকপদা অখন্নবা মীথুং ওইনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরমদুগী মনুং চন্না অইবা অইবী ২০ না শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা লোয়নসিল্লোনগী নাচোম চেফোঙসু ফোঙদোকখি।

খুল্লাকপনা মখা তানা হায়, হৌখ্রবা অমদি ঙসি ঙসিমক হিংলিবা পুন্সি মচৎপু মমুৎতানা খঙনবা অমদি তুংগী মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনবদা অইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। চাকপা কাংলূপকী মতাংদা পল্লদুনা চকপা কাঙলূপসি কংলাদা চহী কয়া খুন্দারম্মী হায়রদুনা ঙসিদি চোইনা চোইনা তাখ্রে। চকপগী ওইবা চৎনবী, লাইনিং লাইশোল লৈরজরম্মী অদুবু ঙসিদি মাঙথরক্লে হায়রদুনা মসি ঙাক্তুনা থমদবা য়াদবা লাক্লে হায়বসি খঙলক্লে। লাইরিক থমহৌদবা য়াদ্রে হায়খি।

অথোয়বা মীথুং ওইখিবা ফয়েং জি পিগী প্রধান অঙোম শ্যামাশখিনা হায়, অইবা হায়বসি অফবা থবক্লি। মসিদা ফৎতবা পুন্নমক কাওথোকহন্দুনা অমগা-অমগা নকশিন্নবা হোৎনৈ। কলমনা ফয়েংদা লাক্তুনা থৌরমসি পাঙথোক্লবদা অপেনবা পোকস অদুনা ঙসিগী ফোঙলিবা চেফোঙসি হিংগৎহন্নবা হোৎনসি হায়খি। মমা-মপাশিংনা মখোয়গী মচাগী অপাম্বশিং লোইনা খঙবা ঙম্বনি অদুনা লাইরিক ইবদা ফংগদবা কান্নবশিং মচাশিংদা থবক্তা ওন্থোকসি মাগী মায়কৈদগীসু পাঙবা য়াবশিং পাঙগে হায়খি।

সাহিত্য একাদেমি এৱাদি শরতচান্দ থিয়াম্না হায়, লোয়নসিল্লোনগী লানবুংসে ঙসিদি অৱাবা ঙাক্তা ঙাইরে। অমনা অমদা শৌগৎপগী মহুত্তা য়েক্লবদৌনা খৎনরকপসি লাইবক থিবনি। ঙসিদি কংলৈ লোয়নসিল্লোনদা খুঙ্গংগী নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। লূপ মশিং য়াম্না থোরক্লবসু থবক তৌবা ঙমদবশিংদি মশাগা অদুম লৈহৌগনি। অঙম্বা মখৈতা হিংগদবনি। তৌশিন্নবা অমদি মালহনবনা করিসু কান্নরোই হায়খি। থিয়াম ওংবী সিল্লেমা প্রসিদেন্ট কলমনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, ঙসিগী নহারোলশিংবু অচুম্বা মায়ওন্দা পুনবা হোৎনবদা লোয়নসিল্লোন য়াওনা মীয়ামগী ওইবা থবকশিং পাঙথোকমিন্নবা চঙই। খুন্নাইসি মখোয়গী খুৎতা লৈরি পল্লদুনা নহা অইবা-অইবীশিং শকখঙ মায়খঙনবগী মতাংসু লাক্লে হায়খি।

COMET ꯀꯣꯃꯦꯠ

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

Regular Course Medical & Engg. 2018-19

TEST POSTPONED

7th Weekly test will be held

On

☞ **11th September 2018 (Tuesday)**

Sd/- Administrator

HL-B/4844/11

Apollo ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ **Tutorial Centre**

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

ADMISSION OPEN

Foundation Course For:
Class : XI Sc. (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)

VAN Service available

Form Issue :	Class Starts :	Class timing :
22 - 08 - 2018	03 - 09 - 2018	4:20 p.m. - 7:45 p.m.

HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS

Enroll just today and complete your ambition
Faculties : From Reputed Hr. Sec. Schools

For details Please Contact : APOLLO Tutorial Centre (7:00a.m. - 5:00p.m.)

HL-P/5258/22-30Aug&1-11 Sep(Alt.)

GOVERNMENT OF MANIPUR
TOWN PLANNING DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 10th September, 2018

No.6/4/2017-TP : The Town Planning Department, Manipur is Organizing a Workshop on "Draft Manipur Municipality Building Bye-laws, 2018" on 15th September, 2018 at City Convention Centre, Palace Gate, Imphal from 09:00 AM onwards. Officials from Town & Country Planning Organization (TCPO), Ministry of Housing & Urban Affairs, Govt. of India, New Delhi will attend the said workshop as Resource persons and explain the need for incorporation of important provisions of Model Building Bye-laws, 2016 to the Draft Building Bye-laws of the State.

Representative/s of any NGOs, CSOs and individuals or academicians who are willing to participate in the Workshop and contribute their valuable viewpoints/ suggestions are requested to register at **amrutmanipur@gmail.com till 03:00 PM of 14th September, 2018.**

(N. GITKUMAR SINGH)
Chief Town Planner
Town Planning Department

HL-B/4847/11

‘ফিসরিজ দিরেক্টরগী ওর্দর কক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): ফিসরিজ টেক্নোলোজিদা করিসু খঙদ্রিবা অনৌবা দিরেক্টর ওইনা এম সী এস অমবু ওর্দর থোক্লকপা অসি ফিসরিজকী ইমপ্লোয়ীশিংনা য়ানিংদে। মরম অদুনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ট্রান্সফর ওর্দর কক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী গেটতা ওল মণিপুর ফিসরিজ গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা এম সী এস ওফিসর অমবু দিরেক্টর ওইনা ওর্দর থোরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর ফিসরিজ গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি অরাম্বম সমরেন্দ্রোনা হায়খি, লৈঙাক্লা থোক্লিবা ওর্দর অসি য়ানিংদবগী খোঙজং চঙশিনবনি। থা অসিগী ২০ ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি অমসুং থা অসিগী ২০ ফাওবা ওর্দর অসি কক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি। খোঙজং অসি চঙশিল্লিবগী মরমদি ফিসরিজকী টেক্নিকেল ওইবা মীওইনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পুবসি ইমপ্লোয়ীশিংগী অপাম্বনি। হান্নদগী টেক্নিকেল ষ্টাফনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী থৌ পুরক্লি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ফাইনান্স ওফিসর এ দি এম ওনচিংবনা এদমিনিষ্ট্রেসন পুদুনা লাক্লি। ফাইনান্সতা লাকপদি য়াই অদুবু টেক্নিকেলগী লাইনদা লাকপদি য়ারোই। পব্লিক সেক্টর অমসুং প্রাইভেট সেক্টরদা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা টেক্নিকেল হেদ অমা ওইনা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা থৌদাং লৌরি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মোবিম্পকী মঙাশুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মোবিম্পকী মঙাশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পরিএল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ডো. টি ঐচ দবলি এম দি ববিনা হেল্থ ক্যেরনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম আই এম এসকী দিরেক্টর ডো. সী ঐচ ইবোহল, জে সী আর ঈ স্কিল সোলুসনগী এম দি এল নিরঞ্জননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি মোবিম্পকী এম দি ফিসর লাইশ্রমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ডো. দবলিনা হায়খি, কম্প্যুটর হায়বসি ঐখোয়না লীশিংলক হন্না করিমত্তা কায়হন্দনা চপ মান্নবা মতম অমদা প্রোসেস তৌবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসি মীওইবনা ঙমদে। থবক পুন্নমক অমুক্তংদা তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা অশোয়বসু লাকই। অদুবু কম্প্যুটরনদি মসি হেন্দল তৌবা ঙম্মী। মমাঙঙৈগী মতমদা শীজিন্নরম্বা পোৎশিং য়াম্না চাওবা অদুগা হৌজিক্লা সিষ্টেমসু য়াওরগা পোৎসু অসুমক পিকশিল্লকই। মমাঙদা কম্প্যুটর, লেপটোপ হৌজিক্লা স্মার্টফোনদা শীজিন্নবা য়ারে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এল নিরঞ্জননা হায়খি, লাক্লিবা চহী ১০ গী মতুংদদি মোবিম্প অসি য়াম্না য়াঙনা চেল্লক্লগনি। মোবিম্পকী মায় পাকপা অসিনা ঙসি মণিপুরগী নহাশিংদা অমদি মমা-মপা ওইবশিংগী ৰাখলদা অচৌবা পরা অমা তাক্লগনি। ইচাসি গভর্নমেন্ট থবক তৌদ্রগসু কম্পেনি অচৌবা অমা লীংখৎপা ঙম্বসি য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না মোবিম্পনা খুন্নাই অসিদা পাউজেল অমা পীরি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মোবিম্প সর্ভিসেস প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্টর প্রসান্ত লাইতংবমনা হায়খি, মোবিম্পকী মঙাশুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা চহী অসিগী ওইনা টেক্নোলোজি সম্মিট পাঙথোকপা অসি মণিপুরগী ওইনা অহানবনি। মোবিম্পকী প্রদক্ট সো কেস কয়া অমা তৌগদৌরি। মদুগী মনুংদা - মেদিক্যুরা (ঐচ আই এম এস), সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এপ্প, ন্যুজ ফাইপ (ওল ইন ৱান মণিপুরী ন্যুজ এপ্প), কম্প্যু শোপ (ইনষ্টিট্যুসন এন্দ কোলেজ মেনেজমেন্ট সোফৱ্যের অমসুং ষ্টাইল ফোর্মস (ইন্টর এক্টিভ সর্ভে টুলস) নচিংবসু ঙসি লোঞ্চ তৌদুনা সর্ভিস ফংহল্লগনি হায়খি।

কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

শিলোং, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

অৱাং-নোংপোক লমদমদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা নোথ ইষ্ট কোংগ্রেস কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীফম অমা ওক্টোবর ১৬ দা পাঙথোক্কদৌরি। ইম্ফালদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা মীফম অসিদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা মতুং তারকপা মীখলশিংদা মায় পাকহন্নবগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি লুইজিনহো ফলেরোনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি মেঘালয়াদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। বুথ, ব্লোক, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট লেভেলদা মীফম পাঙথোক্তুনা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌমীশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ফলেরোনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি, অৱাং নোংপোক্তা পার্টিনা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী রোদ মেপ শেম্বা লোইরে। মতম খরগী মতুংদা কোংগ্রেসনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রগনি।

ফিল্ম ১০৮ উৎকদৌরি

গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

জ্যোতি চিত্রবান (ফিল্ম ষ্টুদিও) সোসাইটি অমসুং সঙ্করদেব কলাক্ষেত্রনা শীন্দুনা ওক্তোবর ২৫ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা গুৱাহাতি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল (জি আই এফ এফ) দা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৬০ গী ফিল্ম ১০৮ উৎকদৌরি।

অসামগী কলচরেল এফেয়রস মিনিষ্টর নবকুমার দোলেনা এজেন্সিদা হায়খি, অসাম গভর্নমেন্টকী মতেং লৌরগা দা. ভুপেন হজারিকা রিজনেল গভর্নমেন্ট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৮ গী ওইবা ফিল্মগী অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। মপুং ওইনা মালেমগী লৈবাক ৬০ হেনবগী তোঙান-তোঙানবা লোন ৫০দা পুথোকপা ফিল্ম ১০৮ ফেষ্টিভেল অসিদা উৎকনি। লোল ১০ দি ইন্দিয়াগীনি অমসুং লোল ৪০ না মপান লৈবাকশিংগীনি হায়রি।

ꯁꯂꯥꯏ ꯕꯣꯗꯤ ꯁ꯭ꯀꯜꯄꯆꯔ
SALAI BODY SCULPTURE
(A UNIT OF SALAI HOLDINGS PVT. LTD.)
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur-795001, India



SALAI Holdings Pvt. Ltd. কী Unit অমা ওইরিবা **SALAI BODY SCULPTURE (Gym), Sagolband Tera Akham Leikai** দা General Trainer অমা ওইনা লৈরিবা **Wangkhem Mahesh** না থা অসিগী তাং ০৮-০৯-২০১৮ অমসুং ০৯-০৯-২০১৮ দা Patna দা পাঙথোকখিবা 15th East India Body Building Championship 2018 under 70 kg গী category দা Mr. East India Title ফংদুনা Gold Medal ফঙলকখিবসু **SALAI Holdings Pvt. Ltd.** কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা মতুংদসু মসিদগী হেনবা মনা কয়া ফঙলকপা ঙম্না ওইরসনু হায়না থাগৎপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

Sd/-
Chairman & Managing Director
SALAI Holdings Pvt. Ltd.

HL-P/5349/11

MANIPUR STATE RURAL LIVELIHOODS MISSION

Department of RD&PR, Government of Manipur
Secretariat North Block, Babupara, Imphal-795001

Imphal, 10th September, 2018

CORRIGENDUM

Subject: Advertisement dated 4th September, 2018 inviting applications for 147 posts of Manipur State Rural Livelihoods Mission purely on contractual basis.

With reference to the subject mentioned above, it is hereby notified for general information that the following information may be inserted replacing the earlier notification.

Interested candidates may download the MSRLM Application & Resume Form available at www.manipur.gov.in , fill the same strictly as per the format and mail it to msrlm.recruitment18@gmail.com indicating the name of the post applied for in the subject line on or before 17.30 hrs on 5th October , 2018. No physical or Courier submission will be accepted.

The other terms and conditions contained in the principal notice shall remain intact.

Sd/- **Yumnam Robita**
State Mission Director
Manipur State Rural Livelihoods Mission

HL-B/4845/11